# রসিয়নশিংনা সেল কাপ্পদা ইন্দিয়ন মহৈরোয় ১ শিখ্রে, ইন্দিয়ন সিটিজনশিং হোন্দোরকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে



ন্যু দেল্লী, মার্চ ০১ (এজেন্সী): লৈবাকপোকপা নুমীৎকী অয়ুক্তা যুক্রেনগী খার্কিভ সিটিদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা সেল কাপ্পদা ইন্দিয়ন মহৈরোয় অমগী পুন্সি লোমখ্রে হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

কর্নাটকাগী হভেরিদগী যুক্রেনদা ফাইনেল য়র মেদিকেল তম্লিবা মহৈরোয় নবীন শেখারপ্পা রসিয়ন লান্মীশিংনা গভর্ণমেন্ট বিল্ডিং অমা থুগায়বদা শিখিবনি হায়রি।

এক্সটর্নেল এফ্যেয়র্স মিনিষ্ট্রিনা ত্বিটর পোষ্টকী খুথাংদা হায়, ঙসি অয়ুক যুক্রেনগী সিটি খার্কিভতা সেল কাপ্পদা ইন্দিয়ন মহৈরোয় অমা লৈখিদ্রে হায়বসি ঐখোয়না কনফর্ম তৌরি। মিনিষ্ট্রি অসিনা ইমুংগী মীওইশিংগা পাউ ফাওনরি। ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা ঐখোয়সু শরুক য়ারি।

এক্সটর্নেল এফ্যেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী ছোর্সশিংনা হায়, ফোরেন সেক্রেটরি হর্শ ভর্ধন শ্রিংলানা রসিয়া অমসুং যুক্রেনগী এম্বেসেদরশিংদা ইন্দিয়ন নেসনলশিং অশোয়-অঙাম য়াওদনা থুনা হল্লকহন্নবা নৌহৌননা খঙহনখ্রে। রসিয়া অমসুং যুক্রেননা ইন্দিয়ন নেসনলশিংবু য়াম্না থুনা অশোয়-অঙাম য়াওদনা ইন্দিয়াদা লাকহন্নবা হোৎনবীবা অসি য়াম্না তঙাইফদে। যুক্রেনগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটি ওইরিবা খার্কিভতা রসিয়ন মিলিটরি এসোল্টনা মরম ওইদুনা পাক শন্না অমাঙ-অতা থোক্লে হায়বসি ভিদিও কয়ানা উৎখি। ভিদিও অমদা সিটি অদুগী খ্বাইদগী চাউবা গভর্ণমেন্টকী বিল্ডিং মিসাইল কাপশিনবদগী মৈনা তুম্না চাকপা উখি।

নবীন শেখারপ্পানা গ্রোসরি ষ্টোর অমগী মপাদা লৈরিঙৈদা বিল্ডিং অদুদা সেল কাপশিল্লকখিবনি। খার্কিভকী ষ্টুদেন্ট কোওর্দিনেটর পূজা প্রহরাজনা মহৈরোয় অদু লৈখিদ্রবা মতুং ঙাইহাক্কী মতুংদা এজেন্সীদা ফোঙদোরকখিবদা, লৈখিদ্রবা শেখারপ্পা গভর্ণরগী যুম মনাক্তা লৈবনি। মহাক চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈনবগীদমক ক্যুদা লেপখি। খঙহৌদনা এয়রষ্ট্রাইক অমা চথরক্তুনা গভর্ণরগী যুম অদু মাঙ-তাকখিবগা লোয়ননা মহাকসু শিখি।

যুক্রেনিয়ন নুপী অমনা মহাক্কী ফোন খুনখি। ফোন অদুদগী ৱা ঙাংলকপদা নুপী অদুনা ফোনগী মপু অদু মোর্গতা পুরি হায়রকখি। লৈবাকপোকপা নুমীৎকী অয়ুক্তা ইন্দিয়ন এম্বেসিনা মহৈরোয়শিং য়াওনা ইন্দিয়ন সিটিজন পুম্নমক্তা যুক্রেনগী কেপিটেল কিভ ট্রেন নৎত্রগা অতৈ পান্বৈশিং শীজিন্নরগা য়াম্না থুনা থাদোক্লবা পাউতাক পীখি।

গভর্ণমেন্ট ছোর্সশিংনা ফোঙ-দোরকপদা, খার্কিভকী ফীভম লেপ্তুনা লুশিল্লক্লিবসি য়াম্না নুংনাংনিঙাইনি। সিটি অদুদা লৈরিবা ইন্দিয়ন নেসনলশিংগী সেফ্টি অমসুং সিক্যুরিটি অসি গভর্ণমেন্টনা খ্বাইদগী লুনা লৌই। সেটলাইট ইমেজশিংদা কেপিটেল কিভকী অৱাং নোংচুপলোমদা রসিয়ন মিলিটরি ভেহিকলশিংগী শাংলবা কনভোয় অমা লম্বীদা লৈবা উখি।

যু এসতা বেজ তৌবা স্পেস টেক্নোলোজি কম্পনি অমনা থাদোরকখিবা ইমেজশিংদা টেঙ্ক, আর্টিল্লরি, আর্মর অমসুং লোজিষ্টিকেল ভেহিকল চা কয়া উবা ফংখি। যুক্রেনদা হৌজিক ইন্দিয়ন মহৈরোয় ১৬,০০০ লোম পন্দুনা লৈরিবনি। মহৈরোয় কয়ানা সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকখিবা ফোটোশিং অমসুং ভিদিওশিংদা রসিয়ানা যুক্রেনদা এট্টেক তৌবদগী মখোয়না লোৎলকখিবা অন্দরগ্রাউন্দ বঙ্করশিং, মেট্রো ষ্টেসনশিং অমসুং বোম্ব সেল্টরশিংগী শক্তমশিং উৎলকখি। ইন্দিয়ন নেসনল ৯০০০ লোম তোঙান তোঙানবা স্পেসল ফ্লাইটশিংদা যুক্রেন থাদোকখ্রবনি।

রসিয়ন মিলিটরি ওফেন্সিভ অদুনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা যুক্রেনগী নোংপোকথংবা শরুকশিংদা ইন্দিয়াগী মহৈরোয় কয়া পন্দুনা লৈরি। মখোয় কংফালগী লম্বী শীজিন্নদুনা নোংচুপথংবা বোর্দর য়ৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। বোর্দর লাল্লগা ফ্লাইটতা যুম য়ৌবা ঙম্লগনি হায়বগী ৱাখলদা মহৈরোয় কয়ানা সব-জিরো কন্দিসনশিংদা বোর্দর তম্না খোঙনা চৎনখি। কিভতা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিনা মহৈরোয়শিংদা রেলৱে ষ্টেসনদা চৎতুনা যুক্রেননা নোংচুপথংবা লমদমদা চৎপা য়ানবা শীল-লাংলিবা অখন্নবা ট্রেনশিংদা তোংনবা পাউতাক পীখি।

# পি এম মোদিনা যুক্রেন য়াওনা ইস্যু কয়াগী মতাংদা প্রসিদেন্টতা ব্রিফ তৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, মার্চ ০১ (এজেন্সী): লানগী চৈথেং নংলবা যুক্রেনদা ওইরক্লিবা ফীভম কয়াগী মতাংদা নোংমাইজিং নুমীৎতা মীফম কয়া পরিং নাইনা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা যুমশকৈশাগী অয়ুক্তা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দগা উনদুনা যুক্রেনগী ক্রাইসিস য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিংগী মতাংদা ব্রিফ তৌখ্রে হায়না ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রসিদেন্টতা রসিয়ানা লান্দাবদগী যুক্রেনদা পন্দুনা লৈরক্লিবা মহৈরোয়শিং অমদি ইন্দিয়ন নেসনলশিংবু হোন্দোরক্লবা ইন্দিয়ানা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং খঙহনখি। ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা যুক্রেনগী যুমথংনরিবা লৈবাকশিং ফাওরগা ইন্দিয়ন নেসনলশিং হোন্দোরকপা ওপরেসন গঙ্গা লোঞ্চ তৌখি। রসিয়ানা হান্নগী সোভিয়েট রিপব্লিক যুক্রেনদা ফেব্রুৱারী ২৪দা লান্দাকখিবদগী লৈবাক অসিগী এয়র স্পেস থিংজিন্দুনা লাকখি।

ইন্দিয়ানা পন্দুনা লৈরিবা মহৈরোয়শিং হোন্দোক্লবগী থবকশিং মওং তাদে হায়না সোসল মীদিয়াদা চৈ-থাংবগা লোয়ননা হীরম অসিগা মরী লৈননা মতেং পাংনবা আপীল তৌনরিঙৈ মরক্তা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা নোংমাইজিং নুমীৎতা মীফম অহুম পাঙথোকখি অমসুং গভর্ণমেন্ট মেছিন্নরি পুম্বা ইন্দিয়ন নেসনলশিং যুক্রেনদা সেফ অমসুং সেক্যুর ওইনা লৈননবা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়না থাজবা পীখি। পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ন নেসনলশিং হোন্দোকপগী থবক্তা মতিং হাপ্পবগীদমক বোর্দরদগী মী হোন্দোকপগী থবক অদুবু য়েংশিন্নবা সিনিয়র মিনিষ্টর অহুমদা শীন্নখ্রে।

লান নংলবা যুক্রেনদগী ইন্দিয়ন নেসনলশিং হোন্দোকপগী থবক্তা মতেং পাংনবগীদমক মিনিষ্টরশিং হর্দীপ পুরি, জ্যোতিরাদিত্যা সিন্দিয়া, কিরেন রিজিজু অমসুং ভি কে সিংহ যুক্রেনগা যুম্লোন্নরিবা লৈবাকশিংদা স্পেসল এনভোয় ওইনা চৎলগনি। জ্যোতিরাদিত্যা সিন্দিয়ানা রোমানিয়া অমসুং মোলদোভাগী চার্জ পায়রগনি। কিরেন রিজিজুনা স্লোভাকিয়াদা পাইশিল্লগনি, হর্দীপ পুরিনা হঙ্গেরিদা চৎলগনি অমসুং ভি কে সিংহনা পোলেন্দ পাংলগনি।

যুক্রেনদা পন্দুনা লৈরিবা যুমথংনরিবা লৈবাকশিং অমদি চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী মীওইশিংদা ইন্দিয়াদা মতেং পাংগনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

যুক্রেনদা পন্দুনা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিং অমদি মরুপ-মপাংশিংনা মখোয়বু ইন্দিয়াদা পুরক্লবা সোসল মীদিয়াগী খুত্থাংদা কন্না আপীল তৌখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়ন নেসনলশিং অমসুং মহৈরোয়শিং হোন্দোক্লবা হোৎনবগী থবক কনখৎলকখিবনি।

# মহৈরোয় ১৮২ অশোয়-অঙাম য়াওদনা যুক্রেনদগী হল্লক্লে

মুম্বাই, মার্চ ০১ (এজেন্সী): লান শোক্লরিবা যুক্রেনদা পন্দুনা লৈরম্বা ইন্দিয়ন মহৈরোয় ১৮২ তোংবা এয়র ইন্দিয়া এক্সপ্রেস ফ্লাইট অমা লৈবাকপোকপা নুমীৎকী অয়ুক্তা মুম্বাইদা থুংলরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওপরেসন গঙ্গা ইভাক্যুয়েসনগী প্রোসেসকী শরুক অমা ওইনা মহৈরোয়শিং অদু যুক্রেনদগী হোন্দোরকখিবনি। এ আই ঈ ফ্লাইট ৯-১২০২ অদু রোমানিয়াগী বুচারেষ্টতা লৈবা হেনরি কোন্দা এয়রপোর্টতগী মুম্বাইদা থুংখিবনি অমসুং মদুদা তোংখিবশিংগী মনুংদা মহারাষ্ট্রদগী মহৈরোয় ২৪সু য়াওখি। মখোয়বু য়ুনিয়ন এম এস এম ঈ নরায়ন রানেনা তরাম্না ওকখি।

মসি যুক্রেনদগী ইন্দিয়ন নেসনলশিং এয়রলিফ্ট তৌরগা মুম্বাই য়ৌরকখিবা অনীশুবা ফ্লাইটনি। মসিগী মমাঙ ফেব্রুৱারী ২৬তা মুম্বাইদা য়ৌরকখিবা অহানবা ফ্লাইটতা যুক্রেনদা পন্দুনা লৈরম্বা ইন্দিয়ন নেসনল ২১৯ তোংলকখি। মসিদা নত্তনা হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা ওপরেসন গঙ্গাগী মখাদা অতৈ ফ্লাইটশিং ন্যু দেল্লীদা থুংখি। ছত্রপতি শিভাজি মহারাজ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী মপান্দা থৱায় ৱানা ঙাইরিবা মমা-মপা অমসুং মরী-মতা চা কয়ানা মখোয়গী অঙাংশিং অদুবু হরাওনা ওকখি।

# যুক্রেন ক্রাইসিসকী মতাংদা খন্নবা দিমান্দ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০১ (এজেন্সী): যুক্রেন ক্রাইসিসকী মতাংদা পার্টি পুম্নমক্কী ওইবা মীফম অমা কৌদুনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম পার্লিয়ামেন্টরিয়নশিংদা খঙহন্নবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা কোংগ্রেসনা গভর্ণমেন্টতা তকশিনখ্রে।

লোক সভাদা পার্টিগী দেপ্যুটি লিদর ওইরিবা গৌরভ গোগোইনা হায়খি, পুৱারীগী লুরবা মতম অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা রসিয়ন-যুক্রেন লান অসিগী মতাংদা পার্টি পুম্নমক্কী ওইবা পার্লিয়ামেন্টরি মীটিং অমা কৌগদবনি। অসিগুম্বা দাইলোগ অমা পাঙথোকপনা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা খ্বাইদগী ফবা খোঙথাং লৌখৎপদা মতেং ওইগনি।

গভর্ণমেন্টনা যুক্রেনদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ন নেসনল হোন্দোকপগী থবক কোংগ্রেসনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখি। পার্টি অসিনা হায় মদুদি, ইন্দিয়ানা মমাঙদা থৌদোক কয়াগী মতাংদা লৈবাক অসিগী সিটিজনশিং হোন্দোকপগী থৌদোক ৩০ হেন্না থোকখ্রে। হৌজিক চথরিবা মী হোন্দোকপগী থবক অসিদা পোলিটিক্স তৌরোইদবনি। মসিগা লোয়ননা ইন্দিয়ন অমত্তা চিথ্নদনা রেস্ক্যু তৌদ্রিবা ফাওবা মীখলগা মরী লৈননা নিল-খোংবা অমদি লাঙবা তৌরোইদবনি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা রসিয়াদা প্রেসর পীদুনা লান মরক্তা ইন্দিয়নশিংবু অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা হায়গদবনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা নিংথৌকাবা নুমীৎকী নুমীদাং চ্যের লৌদুনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা যুক্রেনদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়নশিং পুরক্লবা ওপরেসন গঙ্গাগী মখাদা পায়খৎলিবা থবকশিং রিভিয়ু তৌখি। মীফম অদুদা মহাক্না হায়খি মদুদি, যুক্রেনদা লৈরিবা ইন্দিয়ন নেসনল পুম্নমক সেফ অমসুং সেক্যুর ওইহন্নবা গভর্ণমেন্ট মেছিন্নরিশিংনা লেপ্তুনা থবক তৌরি। ইন্দিয়ানা মমাঙদসু লৈবাক অসিগী সিটিজনশিংবু ৱার জোনশিংদগী হোন্দোকখি।




# রিয়েল্টর ২ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

হায়দ্রবাদ, মার্চ ০১ (এজেন্সী): লৈবাকপোকপা নুমীৎতা হায়দ্রবাদকী চিদাইদা লৈবা ইব্রাহিমপত্নম মনাক্তা রিয়েল্টর অনী মশক খঙদবা মীওইশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

থৌদোক অদু অয়ুক পুং ৬ রোম তাবদা রঙ্গরেদ্দি দিষ্ট্রিক্টকী রাচাকোন্দা পুলিস কম্মিসনরেটনা কোনবা কর্নামগুদা ভিলেজদা থোকখিবনি। মীহাৎশিং অদু মীওই অনী অদুনা লম একর ২০ লৈখিবগা মরী লৈননা য়েৎনবদগী পাঙথোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না পুলিসনা চিংনরি। শ্রিনিভাস রেদ্দি নোংমৈ কাপফমদা শিখি অমসুং রঘাভেন্দ্র রেদ্দিনা ফীভম লুনা শোকপদগী ভনাস্থালিপুরমদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখৎলবা মতুংদা শিখিবনি।

রিয়েল্টরশিং অদুগী মরী-মতাশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, মখোয় পার্টনর্শিপকী খুত্থাংদা দিভেলপ তৌরিবা রিয়েল ইষ্টেট প্রোজেক্ট অমা য়েংশিল্লুরবা মতুংদা হায়দ্রবাদতা হল্লকখি। মীওই খরনা লম্বীগী নাকলদা খাম্বা স্কোর্পিও গাড়ী অমদা অশোকপা মীওই অমা তোংলম্বা থেংনখি। অহানবদা থৌদোক অদু এক্সিদেন্ট ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনখি। তৌইগুম্বসুং গাড়ী অদুদা তোংলম্লিবা অশোকপা মীওই অদুনা মহাক মীওই খরনা নোংমৈনা কাপ্লম্বনি হায়রকখি। গাড়ী অদুগী মনাক্তা অশিবা হকচাং অমসুং তারম্বা থেংনখি। খুদক্তা মখোয়না পুলিসতা পাউ পীখি।

## এল পি জিগী মমল দেল্লীদা লুপা ১০৫ হেনগৎলে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০১ (এজেন্সী): ওইল মার্কেটিং কম্পনি (ও এম সী)শিংনা কে জি ১৯গী কম্মর্সিএল এল পি জি সিলিন্দরগী মমল দেল্লীদা লুপা ১০৫ হেনগৎলে অমসুং কোলকাটাদনা লুপা ১০৮ হেনগৎখ্রে। অনৌবা রেটশিং অসি লৈবাকপোকপা নুমীৎতগী চৎনবা হৌখ্রে।

হৌজিক কে জি ১৯গী কম্মর্সিএল সিলিন্দর মমল দেল্লীদা লুপা ২,০১২ ওইরগনি অমসুং কোলকাটাদনা লুপা ২,০৯৫ ওইরগনি হায়বসি ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসনগী ৱেবসাইটতা ফংবা দেটানা উৎলি।

মুম্বাই অমসুং চেন্নাইগী ওইনা কে জি ১৯গী কম্মর্সিএল সিলিন্দরগী মমলশিং মথংশিংনা লুপা ১০৬ অমসুং লুপা ১০৫ হেনগৎখ্রে। মমল হেনগৎলবা মতুংদা হৌজিক মেট্রো অনী অসিদা কে জি ১৯গী কম্মর্সিএল সিলিন্দরগী মমল মথংশিংনা লুপা ১,৯৬৩ অমসুং লুপা ২,১৪৫ ওইরে। কম্মর্সিএল সিলিন্দরশিংগী মমলশিং থা খূদিংগী অহানবা নুমীৎতা রিভাইস তৌদুনা লাক্লি।

# দেল্লীগী তোপ গেঙষ্টর হাৎনবগী খুজিল থৌরাং মায় পাকখিদ্রে, শার্পসূটর অনী ফাখ্রে



ন্যু দেল্লী, মার্চ ০১ (এজেন্সী): দেল্লীগী তোপ গেঙষ্টর সুনিল মান এলিয়স তিল্লু তাজপুরিয়া হাৎননবা থারকখিবা শার্পসূটর অনী নেসনল কেপিটেল অসিগী অৱাংথংবা চিদাইদা দেল্লী পুলিসকা খুৎ থোক্লরবা মতুংদা ফাখ্রে।

এক্যুজশিং অদু পর্ভিন্দর এলিয়স কালা (৩১) অমসুং তোনি (২২) কৌই। মখোয় অনীমক হরিয়নাদগীনি অমদি মখোয় গেঙষ্টর গোল্ডি ব্রার অমসুং কালা জথেদিনা হায়বদগী তোপ গেঙষ্টর সুনিল মান হাৎনবগী মিসন পাঙথোক্লবা লাকখিবনি। থৌদোক অদুগী অকুপ্পা পল্লদুনা দিসী পি আউটরনোর্থ দিষ্ট্রিক্ট বিজেন্দর কুমার য়াদবনা ফোঙদোরকখিবদা, বেঙ্গলুরুদা থোকখিবা মী হাৎপগী কেসতা অমদি দেল্লী এন সী আরদা নমদুনা শেল অমদি পোৎ-চৈশিং লৌখিবগী কেসতা চেন্নবা শাথিরবা ক্রিমিনেল অনী অলিপুর এরিয়াদা লাক্কনি হায়বা অরোনবা পাউ অমা ফংখি। মীওই অনী অদু সুনিল তিল্লু অমদি দেল্লী পুলিসকী কন্সটেবল অমা হাৎননবগী য়াথংগা লোয়ননা লাকখিবনি।

অরোনবা পাউ অমদা যুম্ফম ওইরগা দেল্লী পুলিসনা খুদক্তা এক্সন লৌখৎখি অমসুং অলিপুর-বুধপুর রোদ অমসুং তিভোলি গার্দেন মনাক্তা মখোয়বু ফাননবা লাং থাকখি। মদুগী মতুংদা মোটোর সাইকল তোংবা মীওই অনী মখোয় তম্না লাকপা উখি। ঐখোয়না মখোয়বু খাম্নবা সিগনেল পীখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না চেন্নবা হোৎনখি। ঐখোয়না মায়কৈ খূদিংমক্তগী মখোয়বু ফাননবা লাং থাকখিবা ওইবনা মীওই অনী অদু চেনফম লৈতবদগী পুলিস পার্টি তম্না নোংমৈ কাপ্লকখি।

সিনিয়র ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, মথবাক্তা নোংমৈ মরু অনী পাল্লবা নুপী কন্সটেবল অমনা থৌনা লৈনা এক্যুজ অনী অদুগী মনুংদা অমা ফাবা ঙমখি। লাইবক ফবদগী নুপী কন্সটেবল অদু বুল্লেট প্রুফ জেকেট অমা লিংহৌবদগী অশোক-অপন নংখিদে হায়না য়াদবনা ফোঙদোকখি। চরাংনবা মরক্তুদা পুলিস টিম অদুনা অনীশুবা এক্যুজ অদুসু ফাখি। পুলিসকী মতুংইন্না পুন্না নোংমৈ মরু রাউন্দ ২২ এক্যুজ অনীনা কাপ্লকখি। ৱাহং-পাউহং চথবদা তিল্লু রাজপুরিয়া হাৎননবা লৌতুনবা অমগী মখাদা মখোয় দেল্লীদা লাক্লিবনি হায়না এক্যুজশিংনা ফোঙদোরকখি।

# খুৎশুমল পীয়ু হায়রুবদগী বিল্ডিংদগী ইন্থখ্রে

পটনা, মার্চ ০১ (এজেন্সী): বিহারগী ঔরঙ্গবাদ দিষ্ট্রিক্টতা লেবরর অমা ওইনা থবক তৌবা নুপা অমা খুৎশুমল পীয়ু হায়রুবদগী মীওই অনীনা শাবা লোইদ্রিবা বিল্ডিং অমদগী ইন্থখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু নিংথৌকাবগী নুমীদাং অথেংবদা থোকখিবনি। অর্জুন ভুইয়া কৌবা লেবরর অদুনা বিল্ডিং মপু শান্টু সিংহদা মহাক্কী লেবর চার্জ দিমান্দ তৌরুবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। খোয়রাং খোয়শাওনরবা শান্টু সিংহনা মহাক্কী মচানুপা রাকেশ সিংহগী মতেংগা লোয়ননা অহানবদা মীওই অদুদা ইনবা, চিংবনচিংবা তৌখি। মদুগী মতুংদা মখোয়না মহাকপু বিল্ডিং অদুগী অনীশুবা ফ্লোরদগী ইন্থখি।

থৌদোক অদুদা ফীভম লুনা শোক্লবা ভুইয়া ঔরঙ্গবাদকী সদর হোস্পিটালদা পুখৎখি। পুলিসতা পীবা ষ্টেটমেন্টতা ভুইয়ানা হায়খি মদুদি, মহাক মদনপুর বজারদা লৈবা শান্টু সিংহগী যুমদা হৌখিবা চয়োল অমা অসি লেবরর ওইনা থবক শুরকখি। ঐহাক্না মঙোন্দা লেবরর চার্জ পীয়ু হায়বদা মহাক্না য়াখিদে। নিংথৌকাবা নুমীৎতা ঐহাক শেল য়াম্না চিনখি অমসুং নুমীৎসিদসু শেল দিমান্দ তৌখি। মদুদা শান্টু সিংহ অমসুং মহাক্কী মচানুপা রাকেশ সিংহনা ঐহাকপু চৈ-থাংবগা লোয়ননা কা অমদা থমখি। মখোয়না ঐহাকপু নুংশি হৈতনা ফূখি অমসুং অনীশুবা ফ্লোরদগী ইন্থখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা লোৎখ্রবা মপা-মচা অনীগী মায়োক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌরে অমসুং মখোয় থুনা ফারগনি হায়না আই ওনা ফোঙদোকখি।

[illegible] / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ



পুর্ব্বশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইবু কোনবীরম্বী **ক্ষেত্রিময়ুম মাইকোইবী দেবী-না** মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি ঐখোয় খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ২৩/০২/২০২২ ইং, ফাইরেনগী ২২নি পানবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীচৈতন্য মাইকোই গৌরাঙ্গ দাসীনি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

হৌখিবা তাং ২৮/০২/২০২২ ইং, ফাইরেনগী ২৭/২৮নি পানবা, নিংথৌকাবা নুমিত্তা অষ্ঠি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ০৮/০৩/২০২২ ইং, লমতাগী ৬নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি নাম সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র প্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং, শাগৈ-নাতৈ খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবীরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

থৌরম পরেং ঃ-
অয়ূক পুং ৮ঃ০০ ভেগ কৎপা
অয়ূক পুং ৮ঃ৩০ সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা
অয়ূক পুং ১১ঃ০০ থৌরম লোইবা

সেবা ফংজরিবশিং ঃ-
১। ক্ষেত্রিময়ুম রাজেন্দ্রো সিংহ (মচানুপা)
২। ক্ষেত্রিময়ুম লেম্বা সিংহ (মচানুপা)
৩। ক্ষেত্রিময়ুম থোইবা সিংহ (মচানুপা)
৪। ক্ষেত্রিময়ুম সাগর সিংহ (মচানুপা)
অমসুং ইমুং-মনুং

HL-P/1826/1,2

শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাই, ইম্ফাল।

থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ঐখোয় পূম্নমক্লা ঙাইরিবা তাঙলবা কোরৌ অমা

'ঙাইবা' হায়বা থবক অসি মীওইবা কৌবা থৱায় পানবা অসিখক্তনা তৌবা থবক অমনি। অতৈ জীব অমত্তনা খঙদে-ঙাইবা হায়বসি করিনো? ঐখোয় পূম্নমক্লা, মীওইবনা ঙাইরি মতম চুপ্পদা- করিগুম্বা নৎত্রগা কনাগুম্বা অমবু। লাক্লরোইদবা কনাগুম্বা অমা, নৎত্রগা, ফংলরোইদবা করিগুম্বা অমা ওইখিবসু য়াই ঐখোয়না ঙাইরিবদু। সেম্যুএল বেক্কেত'না 'ৱেতিং ফোর গোদো' হায়না মিংথোনবা 'প্লে' অমা ইরমদুনা 'ঙাইব'গী অনৌবা ৱাহন্থোক অমা পীরমখি। অদুগা, নঙ-ঐ-মহাক, ঐখোয় পূম্নমক্লা, ঙাইরি হায়বা খঙদনা ঙাইরিবা, কনাদসু তাক্লমদনা নোংমা শোয়দনা লাক্লগদবা করিগুম্বা অমসু লৈ। মদুদি, পুন্সিগী অরোইবা মীকূপ- 'শিবা'। কৈদৌঙৈ লাক্কনি খঙদবা, করি ওইরনি খঙদবা- অদুগুম্বা মীকূপ্তু ঙাইদুনা, ফুম্বংননা লৈবদি তৌহৈদবা থবক্লি। মতম হায়বা পোৎসিদি ঙাইবা য়াবা পোৎশক নত্তে। ঙরাং অমদি হয়েং, ঙসাই নৎত্রগা হোরেন-ৱাখলসিনা শাগৎপা, মতমগী শক্লোন অমনি। হৌজিক হায়বসি নত্তবা মতম অমা লৈতে, ঙসি হায়বসি নত্তবা অতোপ্পা নুমীৎ অমা লৈতে। অঙাং ওইরিঙৈ থেংনরকখিবা 'ঙসি হায়বসি ঙরাংগী হয়েংনি, কনাসু হয়েং য়ৌনা পুন্সিদে' অমদি 'ঙসি শিনি পাউচেন্দে, হয়েং শিনি পাউতাক্তে' হায়বা পাউরৌ-পাউতাকশিংদুগী ৱাহন্থোক ঙসিতমক খঙলক্লি। ঐখোয়গী ইথৌ পাঙবদা হয়েং তৌগে হায়বসি কৈদৌঙৈদা খল্লোইদবনি। হয়েং কৌবা কোরৌদু পুন্সিসিদা কৈদৌঙৈ লাক্লরোইদবা নুমীৎ অমনি। হয়েং থুংলগদবা 'ঙসি' কৌবা কোরৌদুবু ঙাইদুনা 'ঙসি' কৌবা নুমীৎসিদা তৌগদবা থবক তৌহৌদ্রবা, থবক অদু কৈদৌনুংদসু তৌররোই। অদুনা হায়রম্লিবনি- 'তুমোরো নেভর কমস'- হয়েং হায়বসি কৈদৌনুংদা লাক্লোইদবা কোরৌ অমনি। লাক্লরোইদবা কনাগুম্বা অমবু ঙাইরুবদি হৌনবরা?

ওহ ! মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইরকপা নুমীৎ অমগী মরমদা ইগে খন', কলম পায়খৎলুরগা ইদৌদুদি ইদ্রদনা ৱাকোয় সূদুনা লৈরুরে। ইগে খঞ্জরুবদি, মণিপুরগী মীয়াম্না খ্বাইদই খৌরাংনা ঙাইরকপা নুমীৎ অমা, নহান হৌখ্রবা, ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২২ নিংথৌকাবা নুমীৎ অদুগী মরমদনি। নুমীত্তুদদি ইহৌদ্রে। অদুবু, লাক্কদবা অদুগুম্বা নুমীৎ অমগা ৱাৎলি- মার্চ ৫, ২০২২ থাংজ নুমীৎ। চহী মঙা খূদিংগী অমু'মুক লাকপা, ঐখোয় ময়াম অসিগী মীহুৎ ওইনা মীওই হুম্ফু খল্লগা, ঐখোয় ময়ামগী লাইবক ইরুনবা, নোংদম্বা (বিধাতা)গী মশক ওইবা থৌদাং অমা শীন্নবা, থবক অমা শীন্নবা নুমীৎ অদুনি। নুমীৎ অমা হৌখরে, অমা ৱাৎলি। মরু ওইখ্রবা নুমীৎ অসি ঙাইরিবসি, ঐখোয় কাঙলুপ মখল অহুমনি। অহানবা কাঙলুপ-কনাগুম্বা মীওই অমগীদমক, খঙনবা/চান্নবা/নক্লবা... মরম অমা নৎত্রগা অমদগী, চপ য়ুংনা লেপ্লগা 'ঐদি মঙোন্দা ভোট পীরগনি' হায়বা ফিরেপ অমা লৌদুনা লৈখ্রবা মীওই কাঙলুপ অমা। অনীশুবা কাঙলুপ্তুনা- 'ঐদি ফিরেপ লৌখিরোই... ঐবু লোন্না থিরকপা, মমল পীগে হায়রকপা, ঐগী মমল খঙবীবা, অপাম্বদু থুংহনবীবা মীশক অদু করম্বনো কোন্না থিদোক্লগা ফিরেপ লৌগে খনবা মীওই কাঙলুপ। অদুগা, অহুমশুবা কাঙলুপ অদুনা... 'ভোট হায়বসি কান্নদবা থবক্লি, মীয়াম-মীহুৎ ওইরগা মীবু ওৎকে চোংথোরকপশিংগী মরক্তগী অমবু খনবই থবক্তু ঐদি য়াওরোই'... হায়না খনবা মী মখল।

তরামাথোইরক পাঙথোকখ্রবা মীখলদুগী এক্সপরিয়েন্স'না, তরানিথোইশুবা মীখলসিদদি অহানবা অমসুং অহুমশুবা মীওই মখল অনীসি মমিংতগী ওইহনখ্রে, মশীং থাবা য়ারক্ত্রে। অনীশুবা মখলগী কাঙলুপসিনা অয়াম্বা ওইরক্লে। ফ্রেবুৱারী ২৮দা পাঙথোকখিবা মীখল-য়েংহৈদ্রবা কূমৈ অমগী শক্লোনদুনি লৌখিবা। পার্টি-পোলিটিক্স-মণিপুরদা যুম্ফম লৈতে। পৱার পোলিটিক্সকী ৱাফম লাকপদা মফম কনবা ঙমদ্রবা কম্যুনিষ্ট পার্টি নত্তনা অতৈ পোলিটিকল পার্টি পূম্নমক মশাগী বেসিক প্রিন্সিপল অমা লৈজদবা পার্টি ঙাক্তেনি। চীন্না অমা, খূৎনা অমা ! মীখলসিগীদমক শেম শানরকপা দিসেম্বর অদুৱাইদগী ঙসি ফাওবা পার্টি-লুচিংবশিংনা অমনা অমবু হুন্দুনা ঙাঙনরক্লিবা, শক্লরক্লিবা... মীখল নুমীৎ অমদি নোংমা ৱাৎলিঙৈ য়ূমথোঙ খূদিং শারকখিবা শেলগী জগোয়... থাজখিদে ঐ-ঐখোয়, অসুক শাথিনা হন্থবা পুন্সিগী থাক অমদা কুমথরমগনি হায়বদি। 'ভোট থাদবা হায়বসি শেল লৌরগা থাদগদবনি'... ভোট্টর খূদিংমক্কী থম্মোয়দগী তান্থোকপা ঙমদ্রবা ৱাখল অমা ওইরক্লে।

মার্চ ১, ২০২২- মীখল নোংঙানবগী অয়ুক্তুদা, মোর্নিং-ৱাকিং চৎকে থোরকপদা লম্বীদা নুপী অনীখক ৱারী শানবা তাহৌবনি... 'ঐদি ঙরাং কেন্দিদেট অহুমমক্তগী লুপা লিশিং তরা ফংহৌই... ঐদি লীশিং অনীখক ফংই, অদুসু লৌরোই হায়বনি, লৈত-লৈতা কদায়দইবু লৌরুরিবনো, ৱাবনসু লোইরবনি, লৌদ্রবদি মঙোন্দা ভোট পীররোই খনখ্রগনি খন্দুনা অদুম লৌহৌরে, মপাগা ইবানিগী অনী পীরম্মী, ভোটতি অহুম থাদবসু য়ারোইদবদা নঙদি কৈদৌবৈ অহুম্মক্তই লৌরিবা... করিনো, হুরানবা মখোয়গী মরলবু লৌথোক্কদবনি কৈনো, থাদববুদি লৈতা লৈতা অনী য়েল্লকপা মঙোন্দা থাদরম্মী'...। অথাপ্পা কন্সটিট্যুএন্সি অমদগী মরুপ অমনসু ফোন তৌরকই- মখোয়গী কেন্দিদেট অমনদি ভোট অমগী মমল লুপা লিশিং তরাদা লেপ্পী। অয়ুক্তুদা, মরুপ অমা হোটেলদা চা থকমিন্নে। মহাক্লা ৱারী অমা লীরম্মী। মখোয়গী কেন্দ্রগী নৌনা থোক্লকপা শেঞ্জাও পায়বা কেন্দিদেট অমগী শেল য়েন্নবা পীখৎলকপা ভোটরশিংগী লিষ্ট অদুদা কেন্দিদেট মশামক্কী মমিং য়াওরমদুনা অচৌবা ৱাথোক অমা থোকখরে।

চহী মঙাগী মমল ওইনা লৌরিবা ভোটকী মমল অদু, ফনা য়াম্বসু ওইসনু, নোংমগী ওইনা পাথোকপদা ঙা কিলো অমগী মমল কৈদৌঙৈদসু য়ৌরোই হায়বসি- কয়ারক হন্না পাউজেল্লবসু মনাকোংদুদা চঙদে। চাউখৎপগী খোঙজেলসিদা নোংম-নোংমগী মাঙলোমদা চঙশিল্লক্লগা ৱাখলদি অসুম মরায় চায়থরকই। ঐখোয় পূম্নমক্লা ঙাইজরকপা কোরৌদুবু মসিরা? পূকচেল শেংদবা হুরানবা মীহুৎ অমদা ঐখোয়গী লাইবক ইননবা শীন্নথোকপা !